থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লাল্লোঙ অমা মায়থীরে, অতোপ্পা অমা হোংলদ্রা?



থা অহুম্লোম শুরক্লুবা, মণিপুরগী লৈঙাক লুচিংবা শিন্দোকউ হায়দুনা, লৈঙাক পায়মিন্নরিবা এম এল এ/মিনিষ্টর ময়াম অমা য়াওনা হৌরকপা লানহৌ অদু হৌজিক্কী ওইনদি ঈংথপ্লে, নৎত্রগা, ঈংথপ্লগনি হায়না লৌবা য়ারগনি। লাল্লব্রা? পীজরিবা ষ্টেটমেন্ট অসি পোলিটিকেল এনালিষ্ট অমনা, রুল্লিং অমসুং দিসিদেন্ট গ্রুপ অনীমক্কী কম্মেন্ট'নচিংবা লৌরগা ফোঙদোকপা মত অদুমক্তি নত্তে। পাউচেশিংদা ফোঙনরকখিবা, লৈরক-খুল্লক্কী হোটেলশিংদা ঙাঙনরকখিবা, পোলিটিকেল সার্কলদগী তারকখিবা পাউচেশিংদা য়ুমফম ওইরগা ইরন্নাই ওইবা মত অমা ফোঙদোকপা য়ারবরা খন' পাউদমসিমা ইরগে খল্লকখিবনি।

অহুমগী মরক্তা অমবু হেক্তা লুচিংবা ওইনা খনবীয়ু। ৱায়েল মপু য়োংজাউদুগী মমাংদা অদুম্না খুম্মি তাবদা ঐদি হায়খি মরুপ-মপাং-হোটেলগী পোলিটিকল এনালিষ্ট ময়ামদুদা ... 'কান্নররোই, মখোয় শোয়দনা মায়থিরনি, বিরেনগী লিদরসিপ থাজদবগী, মহাক মতিক চাদবগী সী এম ফমদগী চিংথগে হায়বা নত্তে, মখোয়দা খুদোংচাবা পীদবগী শিন্দোক্কে হায়বদু ময়েক শেংলে ... বিরেন শিনবা শুকঙম ঙল্লোই' ...। লৈপাক হুপ্পা অতে দালন, করপসনগী স্কান্দেল - স্কাম, লো'লেস ওইবা ইরাং-ফলাং ... লৈঙাক হৈতবা লুচিংবা অমদা সীবা য়াবা অচৌবা মরাল অমা কনানসু পুথোকপা ঙমদে। মীমাঙদা হায়বা য়াদবা, হায়বসু সুপঙম ঙল্লোইদবা, 'লৈপাক অসি সী এম অমখক্লা লৈপাক ঙাকপা নত্তে' হায়বনচিংবা ৱাথী-ৱাচোই শন্দোক্লিবা, পোলিটিসন নত্তবা পোলিটিসনশিংনা পোলিটিক্স তৌবগী মহয়নি।


করম্বনা অচুম্বনো ? করম্বনা অরানবনো? খনফম খঙদবা পাউ ময়াম অমনি তরঙ-মালঙ অসিদা, কোরৌ নুমিৎ কয়া অমা খোন্থাং য়ৈনা নিল্লম্বা। মীয়াম্না য়াবা, মীয়ামগী খনবা, মীয়ামগীদমক নুমিৎ অমা থা খুদিংগী কায়থোক্তুনা, নুপী-অঙাং অশোন-অনা কয়াগা হকথেংননা উনবা, পোপ্যুলর ওইবা চীফ মিনিষ্টর অমনি ঙাঙনরম্বা, ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা চীফ মিনিষ্টর খরা খুৎ থেক্তুনা খনগৎপদা য়াওরবা নোংথোম্বম বিরেনবু য়ানিংদবা খুৎপু অমা থোরক্তুনা, 'মহাক শিন্দোক্কদবনি ... অতোপ্পা অমা খনগদবনি' হায়দুনা দিল্লিদা কেম্প হাংদুনা নাতোঞ্জাও-লুচিংবা ময়ামদুদা ৱাকৎলুবা মৱা লৌবীয়ু য়াদনা, নীংবা কায়না হল্লকপ্লে... ষ্টেটসিগী ইকাই খুম্নজরবা মীয়ামগী লুচিংবা অহুমবু, কোকতাং-নাতোঞ্জাও অমনা পুং ৬ ঙাইহন্দুনা থমখরে... হায়বনচিংবা পাউ'সিনা হেদলাইন ন্যুজ ওইরকখিবা - মীচম ঐখোয় ফাওবনা তাবদা খোইদৌ শাউগৎখি। অদুবু, থংনবা মীৎকুপ্তা খল্লকখি -- 'কল্লক পেল্লি'! অদুদগী হেনবা মওংদা ইকাইবা পীদুনা তান্থোক্লমগদবনি। মখোয়গী লুচিংবা খনববু হায় কম্মান্দ! করিগী? লেজিস্লেচর (মীয়ামগী মীহুৎ লৈঙাকপা) ময়ামদুগী লুচিংববু 'সারনা ফরে খল্লকপদু ঐখোয় হেক্তা য়াজরে' হায়বা য়াবরা? 'ঐহাক্লি ময়ামসিগী লুচিংবা'! 'বিরেন্না লুচিংবা ওইবদা ঐখোয়না য়ানিংদবগী মরম অসিনি'। হায়বা ঙম্বা লুচিংবা অমা মখোয়গী মরক্তা য়াওরমদ্রিবা করিগীনো? মিষ্টর 'বি'না অশেংবা, লালহৌসিগী লুচিংবনি। অদুবু, মহাক ওইবা য়াদ্রগনা মিষ্টর 'কে'বু খন্নবীয়ু। মহাকসু খন্নবা য়াদ্রগনা 'ঐ'! মরমদি, ঐ পার্টিসিগী লুচিং পুরেন্নি।

পোলিটিক্সতা মদু য়াদে। তোম্বা/চাউবা/হোংবা, এ বি সী ঐখোয় হৌজিক, দিল্লিদা য়োং-মীফম ফল্লুবা য়োংনাউ ময়াম ইম্ফালদা হল্লকখ্রে, য়াশিন্নবা অমা পুরক্লম্লগনি। মীয়াম্না ঙাঙনবা ৱাচোয় অমনি। করম্না য়ানরমগনি? স্পেক্যুলেসন কয়ানি ... ফোরেষ্ট মিনিষ্টর (কোংগ্রেস দিফেক্তর) দিসক্বালিফাই তৌবা ... এন পি পি'দগী মিনিষ্টর অনী নৎত্রগা অহুম লৌথোকপা, য়ানদ্রগনা মরিমক লৌথোকপা .. দিসিদেন্ট এম এল এশিংবু থেম্নবা মখোয়গী লুচিংবা অমা/অনী, কোংগ্রেসতগী চঙলকখ্রবশিংদুদগী অমা/অনী খনগৎলগা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইহনবা, অতৈ অহোংবা লৈহন্দবা ... এন পি পি, এন পি এফ য়াওদ্র'সু কোংগ্রেস দিফেক্তরশিং স্পিলিৎ তৌহল্লগা মশিং শুগনি। 'সিনা ফোর্মুলা অমনি। অতোপ্পা ফোর্মুলা অমসু লৈ - দিসিদেন্ট ওইনা লালহৌরম্বা বি জে পিগী মশিং য়াল্লবা এম এল এ'শিং, অসুম্না ইকাই ফিরুক খুমদৌ' শরুক, থোক দিফেক্ট তৌদুনা স্পিলিৎ তৌরগা, অনৌবা পার্টি শেম্লগা কোংগ্রেসকা নৌনা অমুক খূৎশম্নবা! অদু ওইরবদি, ২৮দগী ২০দা হন্থগে তৌরুরবা কোংগ্রেসকী এম এল এ ২৭ শোয়দনা ওইরনি। বি জে পিগী মচেত্তুগা লায়না লৈঙাক শেম্লনি।

অদুবু লুরিবদি, থৌওং অসি গভর্নরনা সুপওই ওইথোকহল্লোই। এনিমেটেদ সসপেন্সনদা থম্লগা গভর্নর-রুল তৌরক্কনি। মরম অসিনা, হৌজিক্কী ফিভম অসিদা খ্বাইদগী ফবা থৌওংনি - পামদ-পামদা লৈঙাক সাসন য়াওদৌ শরুক থোক রিজাইন তৌথোক্লগা, নৌনা মীখল পাঙথোকপা। অনৌবা লৈঙাক শিন্দোকপা।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# হার্ট এটেককী মরমদা খঙজিনগদবা ৱাফম খরা




হার্ট এটেক তৌবা হায়বসি ঐখোয়না খনবদা ফিল্মনচিংবদা উরিবা অহল ওইরবা নুপাশিংদা তৌগনবা থবাক্তগা কন্না পায়শিনবগী মওং অদুতবু ওইরোই নীংনৈ। অদুবু অশেংবদি মদুখক্তা নত্তে, মসি নত্তবা ময়াম অমা লৈরি।

অমেরিকান হার্ট এসোসিএসনগী জর্নেলদা ফোঙখিবা রিপোর্টঅমদা হার্ট এটেক তৌবসি নুপাগা য়েংনবদা নুপীশিংদদি কয়া থোক্কন্দ্রবসু, মখোয়দা 'সাইলেন্ট' হার্ট এটেক, হায়বদি, সিম্পতম অমত্তা উত্তনা তৌরকপা হার্ট এটেককী চাংদি ৱাংই। মসিগুম্বা মখলগী হার্ট এটেক অসিদি ই সি জি তৌরবতদা খঙবা ঙম্মী।

নুপাদসু মীওই খরদদি পেইন থ্রেশোল্ড ৱাংবনা মরম ওইরগা হার্ট এটেক তৌরক্কদৌরে হায়বসি খঙদবসু য়াওবা য়াই। নুপীশিংগী ওইনদি থবাক্তা য়াম্না কা হেন্না নাবগী থৌওং থোক্তবা য়াই। অদুবু মদুগী মহুত্তা নীংশা চনীং-চমাঙ শম্নদবা, খ্বাঙ নাবা, য়াকম নাবা নৎত্রগনা ওনিংবা ফাওরকপা য়াই।

হার্ট এটেককী সিম্পটমশিং অসি মীওই অমগা মীওই অমগা মান্নদবনা সিম্পটম খুদিংমক খঙজিনবা য়াম্না মরু ওই।

মখাদা পীরিবা লাইওংশিং অসি লৈরগদি হার্ট এটেক তৌরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ:

- থবাক, খুদাং, খৌরী, চুবা অমদি খ্বাঙদা ইচিন চিনবা ইফা ফাজীনবগুম্না ফাওরকপা
- নীংশা চনীং-চমাঙ শম্নদবা
- থজিন শাবা, চাবা তুমদবা নৎত্রগনা চাকখাউ মপাদা নাবা
- ওনীংবা নৎত্রগনা ওবা
- হুমাং অনপ্পী কাংবা
- হকচাং শোন্থবা
- খঙহৌদনা ইতাউ তাউবা নৎত্রগনা কোক ঙাওবা

অসিগুম্বা লাইওংশিং অসি লৈরগদি নুপা ওইরবসু নুপী ওইরবসু চহীগী খেন্নবা থিদনা দোক্তর তানবীগদবনি। হার্ট এটেক অসি অয়াম্বনা মশাগী চহী য়াঙ্খেগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা তৌগল্লগসু চাদা ১০ গী চাংদি মশাগী চহী ৪৫ শুদ্রিবা, মরুওইনা নুপাশিংদা তৌই। অদুগা সাইলেন্ট হার্ট এটেকনসু হকচাংদা অমাঙ অতা থোকহল্লী। মরমশিং অসি লৈবননি এক্সপার্ট খরনা হার্টকী লায়নাগী রিস্ক ফেক্টর লৈবা মীওইশিং থবাক অমুক্তা নাদ্রগসু রুটিন ই সি জি তৌনবা হায়রিবসি।

হার্ট এটেক তৌরগদি এম্বুলেন্স কৌদুনা হোস্পিটালদা য়াম্না থুনা পুনবা হোৎনগদবনি। ঈশানা নৎত্রগনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা গাড়ী থৌদুনা পুনবা হোৎনরোইদবনি। এম্বুলেন্স কৌরগদি মখোয় হেক লাকপগা তৌফম থোকপা ফার্ষ্ট এইদকী থৌরাংশিং তৌবগা লোয়ননা ইশানা চৎপদগীদি এম্বুলেন্সতা চৎপনা হোস্পিটালদা হেন্না থুনা য়ৌবসু ঙমগনি। অদুবু মণিপুরগুম্বা চাওখৎপা ৱাৎলিবা মফমশিংদদি এম্ব্যুলেন্সকী খুদোংচাবা মরাঙ কায়না লৈত্রিবনা মীওই অয়াম্বনা এম্ব্যুলেন্স কৌবগী মহুত্তা ইশাগী গাড়ীদা ওইনা অয়াম্বনা পুনৈ। লম্বী চৎপা মীওইশিংনসু এম্বুলেন্স লাকপা মতমদা থৌৱা শাদনা লৈথোক্তুনা লম্বী পীদবগী থৌওং য়াম্না তোয়না তৌনৈ। মসি তৌরোইদবনি। হার্ট এটেক তৌবা মতমদদি শুপ্পতগী মীৎকুপ অমখক্তংনফাওবা মীওই অমগী পুন্সিগী হিংবা অমসুং শিবগী লাইবক লেপকদৌরিবনি।

হার্ট এটেক তৌবা মতমদা তৌগদবা থবক থৌরমশিং:

মাইও ক্লিনিক কৌবা নন-প্রোফিট ওর্গনাইজেসন অমনা ফোঙবা গাইদলাইনগী মতুংইন্না ইশা নৎত্রগনা অতোপ্পা মীওই অমা হার্ট এটেক তৌরে নৎত্রগনা তৌগদৌরে হায়না খল্লগদি খুদক্তা এম্ব্যুলেন্স কৌগদবনি। হার্ট এটেককী সিম্পটমশিং অসি উৎলকপা মতমদা খাঙজিন্নবা হোৎনরোইদবনি। এম্ব্যুলেন্সকী খুদোংচাবা লৈত্রগসু অৱৈবা গাড়ী অমা শীজিন্নদুনা য়াম্না থুনা খ্বাইদগী নকপা হোস্পিটাল নৎত্রগা হেল্থ সেন্তর অমা য়ৌনবা হোৎনগদবনি। অতোপ্পা পান্থে অমত্তা লৈত্রবা মতমদা ইশানা গাড়ী থৌবা তারবসু অসিগুম্বা ফিভম অসিদা গাড়ী থৌবা হায়বসি অনাবা মশামক অমদি অতোপ্পা মীওইশিংদসু খুদোংথীবা থোকহনবা য়াই হায়বসি কাউরোইদবনি।

করিগুম্বা অদোম এস্পিরিনদা এলর্জি তৌবা লৈত্রবা নৎত্রগনা দোক্তরনা এস্পিরিন চাগনু হায়বা লৈত্রগদি এস্পিরিন চাগদবনি।

করিগুম্বা অদোম হার্ট এটেক তৌরক্কদৌরে খল্লবা অদুগা দোক্তরনা মমাঙদা নাইট্রোগ্লিসরিন চানবা প্রিস্ক্রাইব তৌরকখিবা লৈরগদি নাইট্রোগ্লিসরিন চাবা য়াই। অদুবু অতোপ্পা মীওইশিংগীদা লৈরম্মী হায়দুনা মখোয়গী নাইট্রোগ্লিসরিনদি চারোইদবনি মসিনা হেন্না খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই।

করিগুম্বা মীওই অদু ৱাখল মাঙলবদি কার্দিও পল্মোনরি রিসসাইটেসন (সী পি আর) তৌবিগদবনি। অদুবু মসি তৌদ্রিঙৈদা এক্সপার্ট অমদা হান্না তানবিগদবনি। অসিগুম্বা মতম অসিদা মীওই অমগী পুন্সি কনবা ঙম্নবগীদমক ঐখোয় খুদিংমক ফার্ষ্ট এইদকী ট্রেনিং য়াওবা মথৌ তাই। সী পি আর তৌগে হায়রবদি ট্রেনিং অমা হান্না তৌবা চঙই হায়নসু গাইদলাইন অসিনা মখা তারি।

হার্ট এটেক তৌরকপা য়াবগী খুদোংথীবদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ঐখোয়গী পুন্সি মহিংদা হোংদোক হোংজিন খরা তৌবা য়াই। মখোয়শিং অদুদি- চুরুপ থকপা তোকপা, মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা, ঈদা কোলেষ্টেরোলগী চাং হন্থহনবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংহন্দবা, নুমিৎ খুদিংগী হকচাং খীংনা লৈবা, হকচাংগী অরূম্বগী চাং চপ চানা থম্নবা হোৎনবা, দাইবেটিস নাদনবা হোৎনবা অমদি নারগসু কন্ত্রোল তৌদুনা থম্বা, ষ্ট্রেস হন্থহন্নবা হোৎনবা অমদি য়ু য়াম্না থক্তবা অসিনচিংবশিংনি।

## হায় কোর্টনা হৈস্নাম সনাহনবীগী য়ুম ইভিক্সন তৌবা য়ারোই হায়খ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪(ঐচ এন এস): লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নেসনল গেম ভিলেজ জে ান টুদা লৈবা হৈস্নাম সনাহনবী (৭৯), মপুরোইবা লৈখিদ্রবা ঐচ বোর সিংহগী য়ুম কোর্টনা মখা তাবা ওর্দর অমা পীরক্ত্রিবা ফাওবা ইভিক্সন তৌবা য়ারোই হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা খঙহনখ্রে।

কোর্টকী ওর্দর অসি হৈস্নাম সনাহনবী মশামক্লা পিটিসনর ওইদুনা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা কেস অমগী ৱায়েলদা পীখিবনি। মহাক্কী পিটিসন অদুগী নম্বর- দব্লিয়ু পি (সী)- ৮২০ ওফ ২০১৯ নি। কেস অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিস্নার (রেভিন্যু), প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট, দেপ্যুটি কম্মিস্নার, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিসর, সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন, ইম্ফালগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিসন অসি ঙরাং কোর্ট অসিগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চকী সপ্লিমেন্টরি কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর- ২ দা হাপ্তুনা লৌখৎলগা মসিগী মতাংদা খন্নখি। কোর্টনা পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট নামৈরাকপম জে াতেন্দ্রোগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা পিটিসনর অসিদা পীরকখিবা সো কোজ নোটিশ অদুগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱারেপ অমা লৌদ্রিবা ফাওবদি পিটিসনর অসিনা লৈরিবা য়ুম অসি ইভিক্সন তৌদনবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা থবকশিং লৌখৎনবা থা অসিগী ২৪ দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবসু খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, পিটিসনর অসিদা দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিসর, সেন্ট্রল ফোরেষ্ট দিভিজন, ইম্ফালগী মায়কৈদগী সো কোজ নোটিশ অমা থা অসিগী ১ দা পীরকখিবনি। নোটিশ অসিদা পিটিসনরনা লৈরক্লিবা মফম অসি থাদোক্নবা খঙহল্লকখিবনি হায়রি। অদুবু পিটিসনরগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনর অসিনা সো কোজ নোটিশ অসিবু চেলেঞ্জ তৌরকখিবগা লোয়ননা মফম অসিদা মহাক্না হৌখিবা চহী ৬০ রোমগী মমাঙদগী লৈরক্লবনি। মহাক্না ওকুপাইদ তৌদুনা লৈরকখিবা লমগী শরুক অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ভিলেজ নম্বর ৯১- মৈতে লাঙ্গোলগী এরিয়াদনি হায়রি।

লোয়ননা পিটিসনর মশাদা পীরকখিবা সো কোজ নোটিশ অদু মণিপুর ফোরেষ্ট রুলস, ১৯৭১ গী রুল ৮১ (৪) গী মতুংইন্না দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিসরনা নোটিশ অসি ইস্যু তৌবগী ওথোরিটি লৈতে হায়বগা লোয়ননা পিটিসনরনা ওকুপাইদ তৌদুনা লৈরক্লিবা মফম অসি হৌখিবা কুমজা ১৯৬২ গী ফেব্রুৱারী ২ দা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না রিজার্ভ ফোরেষ্ট লেন্দগী মনুং চন্দে হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

## কর্টেন রেজিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচএনএস): সেন্ট জোসেফ য়ুনিভর্সিটি দিমাপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিসনা মণিপুরী শৈরেং নুমিৎকী কর্টেন রেজর প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা শৈরেং থিবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মেরাগী থানিলদা পাঙথোক্কদবা মণিপুরী পোইত্রি দেগা মরী লৈননা কর্টেন রেজিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকখিবনি। সেন্ট জোফেস য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিসকী হেদ, ডা. থোকচোম সুনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়ুনিভর্সিটিগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি অয়ুক পুং ৯দগী পুং ১১ ফাওবা "ওপন মাইক/পোইত্রি: মণিপুরী পোইত্রি দে ২০১৯" হায়না মিংথোনবা থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা বি এ অমদি এম এ ইংলিস তম্লীবা মহৈরোইশিংনা শৈরেং কয়া পাথোকখি। দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট মনফোৱা কোনয়াকনা কনভেনর ওইখিবা থৌরম অদুদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট অমদি অন্দর গ্রেজুয়েট কোর্সকী মহৈরোই ২০ রোমনা শৈরেং পাথোকখি। মণিপুরী লিটরেচরগী লমদা লময়ানবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মণিপুরী শৈরেংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপনি।

## ১৬শুবা ফেন্সিয়র ৱিক লোইশিনখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ০৪(ঐচ এন এস): দ ফেন্সিয়র হয়ার সেকেন্দরি স্কুল থৌবাল ৱাংমতবগী চয়োল অমা চুপ্না চথরকখিবা ১৬শুবা ফেন্সিয়র ৱিক ২০১৯ ঙরাং লোয়শিনখ্রে।

মহৈরোয়শিংগী ওইবা স্পোর্টস, এক্সত্রা করিকুলম এক্টিভিটিস প্রোগ্রাম কয়া, লিতরেরি, ক্যুইজ অমদি ষ্টদি তুর প্রোগ্রাম কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা ফেন্সিয়র ৱিক ২০১৯ লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন য়ুগী রিটয়র্দ এদিস্নেল দিরেক্তর আর কে য়াইস্কুল, এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ লাইফ সাইন্সকী প্রোফেসর ডা. এন মোহিলাল, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী দিপার্টমেন্ট ওফ এন্থ্রোপোলোজিগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. একে ব্রোজেন অমদি স্কুল অসিগী প্রন্সিপাল ও ইবোহলবীনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৫।১০।২০১৯ ইং, থাংজ, অয়ুক পুং ৯.৫১ ফাওবা মেরাগী ৭ পাল্লি, মতুং ৮ নি পানগনি।

মেষ : হনবা লৈতনা মাঙলোমদা চংশিনবা কান্নগনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই অমদি অকি-অখং কোকচগনি। পাঙ্গল ফুদোকপা থবক্তা মায় পাক্কনি। মরুপ্পদি চানদে।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

বৃষ : লেংদবা লন চাওখৎপা, মীনা থাগৎপিবা অমদি অরং-অরাক্কী থবক্তা কান্নবা নুমিৎনি। ফিংলদি মীপাইবা নংবা য়াবা অমদি ইমুং-মনুংদা ৱাখল তিন্নদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা চাওবা কান্নদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : ঙসিসু লাইবক ফগনি, নীংবা থুংগনি অমদি অনৌবা অশা তৌবা য়াই। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অদুনা হোয়া ফগনু। য়েৎনবা য়াদে, মীতোপ লোয়নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : নীংবা থুংলনি, অশা লাক্লনি অমদি মরুপশিংগা পাংমিন্নবা থবক শোইদনা মায় পাক্কনি। লেংদবা লন-থুম ফংবা য়াবা লৈ অমদি মীকোকসু থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : পন্দুনা লৈরুবা লনদি ফংবা য়াবা অমদি হায়বা-ঙাওবদা মীনা থাগৎপিবদি লৈগনি। অদুবু মতম মাঙবনা হেনবা, অনম তানবনা লন ময়েং তাবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথবনা য়াইফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা।

কন্যা : খোইরাং খোইশাওবা অমদি চিন শোইরগা শেল চৎপা অমদি খৎনবা য়াবা লৈ-অদুনা ৱা ঙাঙবা চেকশিল্লু। অখঙ অহৈ শাগনু-য়ারদি মী লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : লাইবক ফবা, হকচাং নুংঙাইবা অমদি লন ফংবা লৈরসু অনীংবা ফংদবদগী ফত্তবা তৌহৈদবা থবক পাংগে খল্লক্কনি। হন্থবা মী লোয়নগনু , চিঞ্জাক কামগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজবা অমদি লেপ্তুনা চংশিনবগী কান্নবা শোইদনা ফংগদবা নুমিৎনি। ইমুং-মনুংদি ৱাখল তিন্নবা ৱাৎকনি অমদি কাইনবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ইচং থৌবনা কান্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : হরাওবা নুংঙাইবা ফংগনি, লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা শোইদনা মায় পাক্কনি অমদি পন্দুনা লৈরুবা থবক পাংবা য়াগনি। অফা-অপুন্নবা লাকপা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : য়েক্লবা হন্থরনি অমদি লাই-গুরুনা চানগনি। লাইবক ফবদি ৱাৎকনি অদুনা হোয়া ফবা তৌগনু অমদি লেংদবা লনদি চেকশিল্লু। শেলসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

কুম্বা : শেল ফংগনি, লাইবক ফগনি অমদি মীয়াম লোয়নবা কান্নবা শোইদনা ফংগনি। কাইনবগী নুংঙাইতবা অমদি চিংনবা পোকপা খরদি লৈগনি। শিখাং খাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : থবক পাংগনি, মীচং হেনগৎকনি, নঙগী ওইবা মীদা নত্তনা মীয়াম্না থোইনা চানগনি। লল্লোন ইতিক্তা চাউনা মায় পাক্কনি। অঙম্বনদি চানবীবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## *অখাং কনবী, থৌনা লৈবী লমদম অসিগী ঈমাশিংগী মতৌগুম ঐহাকসু মালেমদা শক তাকপা পাম্মী*

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

### উর্মিলা শগোলশেম

**এফ বি বি কলর্স ফেমিনা মিস ইন্দিয়া মণিপুর ২০১৯ গী টাইটল ফংখ্রবী**



করিগী কপলুনি, করিগী ৱারুনি অখাং কনবী, থৌনা ফবী, হোৎনবা কনবী লমদম অসিগী ঈমাশিংগী মরক্তা লৈনা-লৈনা। তোল্লা-তারবা মীওইশিংবু শৌগৎপা ঙম্বী, নুংঙাইবদা নোকথোকপা ঙম্বী, মীগী অৱাবা উবদা মশাদা থোকপা অৱাবগুম মীৎতকী পি তাদুনা কপ্পা ঙম্বী, মীনা লাকচরকপদা থৱায় থাবা ফাওবা পাম্মুবা লৈতনা চাক্লিবা মৈদা চোংশিন দুনা মচাশিংবু কনবা ঙম্বগী ঈমাশিংগী থৌনা ঙসিগী হৌরক্লিবা লমদম অসিগী চনুরাশিংদসু লৈতবা নত্তে। হীরম খুদিংদা মালেমগী থাক্তা লমদম অসিগী মায় পুরক্লিবা লমদম অসিগী চনুরাশিংদসু ঈমাশিং অদুগী ঈ চেল্লিবনি। কনা অমনা স্পোর্টতা, কনা অমনা মহৈ মশিনগী লম্‌দা, কনা অমনা ফেসনগী লম্‌দা লেপ্পা লৈতনা মায়পাকপা ওইরক্লি। মালেমগী মীওইশিংনা মণিপুরী নূপীশিংগী থৌনা তপ্না-তপ্না মশক খঙবিরদুনা ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি। ফেসনগী লম্‌দসু তোঙান-তোঙানবা মালেমগী অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা পাঙথোকপা চাংদম্নবশিংদা লমদম অসিগী নূপীশিংনা মণিপুরগী ফিরাল মনীং তম্না হাই-হুমহল্লি। এফ বি বি কলর্স ফেমিনা মিস ইন্দিয়া মণিপুর ২০১৯ গী টাইটল ফংখ্রবি উর্মিলা শগোলশেমসু মালেমগী থাক্তা শক তাক্লিবী মণিপুরী চনুরাশিংগী মরক্তা অমনি।

থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দা পোকখিবী উর্মিলা শগোলশেম শগোলশেম বিক্রম অমদি শগোলশেম শোভারানি অনীগী মচানূপীনি। উর্মিলাগী খ্বাইদগী পামজবা মচুদি পিঙ্ক অমদি ব্লু মচুনি। মহাক্না পামজবা এঞ্জাংনা য়েন থোংবনি। য়ুমগী থবক ইনখাংশিংদা মমাগী মতেং পাংবা অমদি জগোয় শাবনা মহাক্কী হোবিসু ওইরি। ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা মৈতৈ চনুদা শরুক  শকহেনবী নিংঙোলদা বেষ্ট দিসিপ্লিন, ২০১৬কী মিস মণিপুরদা ফর্ষ্ট রনর্স অপ, ২০১৬তা পাঙথোকখিবা সেকেন্দ রনর্স অপ, এফ বি বি কলর্স ফেমিনা মিস ইন্দিয়া মণিপুর ২০১৯ গী টাইটল অমদি মিস ইন্দিয়াদসু য়াবা ফংখি। লোয়ননা মোদেলিংগী চাংদম্নবা কয়া অমদসু মিস পোপুলিরিটি, ফর্ষ্ট রনর্স অপ, বিয়ুটিফুল হেয়রনচিংবা টাইটল কয়াগী মিংথোলসু ফংখ্রে। শগোলশেম বিশ্বরুপ, লাইশ্রম মেম্মা, সুরমা অমদি অরবিননা মহাক্কী পামজবা মণিপুরগী শৈশকপা অমদি শৈশকপীশিংনি।

উর্মিলাগী পুন্সিগী অহানবা ওইনা ফিল্মগী মেকপ আর্টিষ্ট নেনে বিনিতানা শিনবিদুনা শকহেনবী নিংঙোলদা শরুক য়াখি। মহৈগী লম্‌দসু উর্মিলা সোসিওলোজি দা মাষ্টর তম্লি। ফেসনগী লম্‌দা এৱার্দ অমদি টাইটল কয়া ফংলবা তুং ফিল্মগী ওফর কয়া অমসু লাকখি অদুবু অপোকপনা য়াদবদগী ঙসি ফাওবদি ফিল্ম কুম্বা হায়বদু ওইদ্রি। *শিখো হায়বরা* এলবম অমদি কুমখ্রে। অদুবু বাবানা ফিল্ম কুম্বা য়াবিরগদি ফিল্ম কুমগে হায়না খল্লি লোয়ননা বাবাদগী অয়াবা ফংলগদি হেন্না থোয়না লম্ অসিদা মখা তানা মায়পাকপা ঙম্নবা হোৎনগে হায়না খল্লি হায়নসু উর্মিলানা ফোঙদোরকখি। ফেসনগী লম্ অসিদা চৎপদা অৱাবা কয়া অমসু থেংনখিদবা নত্তে। মুম্বাইদা ২০১৯ দা পাঙথোকখিবা মিস ইন্দিয়া শরুক য়ানবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া অমসু মায়োক্লখি।



উর্মিলানা খ্বাইদগী পামজদবদি মণিপুরদা থৌরম পাঙথোকপা মতমদা মতম চানা পাঙথোক্তবা অসিনি। লমদম অসিদা চৎনরিবা করপসন অসিসু তারু-উরুবদা মহাক্কী থাম্মোয়দা হায়ফম খঙদবা অৱাবা অমসু মায়োক্লদবা নত্তে। ফেসনগী লম্ অসিদা মহাক্না মায়পাক্লক্লিবা অসি মহাক্কী অপোকপা-অপোকপী, নেনে বিনিতা, ওজা হেল্লি লাইথাংবমদা ক্রেদিট পীনিংই হায়নসু তাকপীরকই। অঙাং ওইরিঙৈদগী মঙজরকপা মঙলান অমা ওইনা মণিপুরদা লৈরিবা মমা-মপা লৈজদ্রবা অঙাংশিংগী ওইনা করিগুম্বা খরা তৌরমবসু মহাক্কী অপাম্বনি।

মোদেলিংগী লম্ অসিদা মায়পাকপা মীশক অমা ওইগে হায়রগদি ৱাখল্লোল অমদি হকচাংগী ফীভম য়াম্না ফজনা থম্বা মথৌ তাই। পাম্মী হায়দুনা হাথু-হাথুনা খোঙ থাংজিনবগী মহুত্তা চৎকদৌরিবা লম্ অদুগী মরমদা ফজনা খঙবা অমগা লোয়ননা ওজা নাইনা তম্বা য়াম্না মথৌ তাই। মদুনা থেংনরক্কদবা অৱা-নুংঙাইশিংদা অচৌবা মতেং অমা শোয়দনা ওইগনি। লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবি নূপিমচাশিংনা মোদেলিংগী লম্‌দা খঙনীংবা-তান্নীংবা লৈরগদি উর্মিলানা মখোয়শিংদা মতেং পাংনিংবগী অপাম্বসু লৈহৌরি। মণিপুরদা নূপীশিংদা থোক্লিবা ক্রাইমশিং অসি লমদম অসিগী ওইনা লাইবক থীবা থৌদোক অমনি অদুবু লমদম অসিগী ইবুংশিংনা মচল মচানি খন্না লোয়নবিরবদি নূপীদা চথরিবা ক্রাইমশিং অসি খরমখৈদি ফবা ঙমগনি হায়না উর্মিলা না থাজবা অমগা লোয়ননা হায়বিরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ